# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-04-2024)**

**রি-পোল(এল)ঃ** ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি।

চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীখল অসি হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং মঙা ফাওবা অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি। অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন বিল্ডিংশিং অদুদি-খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী, মোইরাং কম্পু সাজেপ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, এস. ইবোবী প্রাইমারি স্কুল (ইষ্ট ৱিং), ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী বামোন কম্পু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, পাইওনিয়র একাডমী, ইরিলবুং হায়স্কুল-নোর্থ ৱিং অমসুং সাউথ ৱিং, থোংজু কেন্দ্রগী নেসনেল চিলড্রেন স্কুল, উরিপোক কেন্দ্রগী ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, ইর্ষ্টন, ৱের্ষ্টন অমসুং মিদল ৱিং অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্রগী খাইদেম প্রাইমারি স্কুল (সাউথ ৱিং) নি।

মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগীদমক মীরেপশিং অমদি রাজনিতি দলশিংনা অকনবা মওংদা ভোট খোমরি। তাঙ্কক অসিদা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা রাজ্য অসিগী জিলা ৮ দা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। মসিগীদমক পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ হাংদোক্কনি।

মসিগী মথক্তা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ সু হাংদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ভোটরশিং ভোট থাদনবা থৌরাং তৌরি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদনগদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ অসিগী অপুনবা ভোট্টর মশিংনা লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৩৮৮ নি। মনিপুরগী আউটর লোক সভা সিট অসিদা এন.পি.এফ, কংগ্রেস অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনিগী লোক সভা সিট ৯৪ গী মীখলগী ভোট মথং থাগী ৭ তা থাদনগনি। হয়েং মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

মরক অসিদা, লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চেশিং পীশিন্নবগী থবক কন্না চথরি। তাঙ্কক অসিদনা রাজ্য ৯ অমসুং জম্মু কাশ্মির য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী লোক সভা সিট ৯৬ কী ভোট মে ১৩ দা থাদনগনি।

**কেম্পেইনঃ** লোক সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। গ্রান্ট এল্লাইয়েন্স অমসুং এন.দি.এ. য়াওনা রাজনিতি দল কয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমসুং স্তার কেম্পেইন্নর কয়ানা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মীতিং অমদি রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্কুনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদনগদৌরিবা লোক সভা কেন্দ্রশিংগী মনুংদা কেরলাগী সিট ২০, করনাতক্কী ১৪, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেস অমসুং মহারাস্ত্রগী ৮-৮, মধ্য প্রদেসকী তরেৎ, অসাম অমসুং বিহারগী মঙা-মঙা, নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং ছাতিসগরগী অহুম-অহুম অমদি ত্রিপুরা, জম্মু কাশ্মিরগী অমমম য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং করনাতক্কী বেঙ্গলুরু, চিকাবালাপুরদা মীখলগী ভোট খোমখি। মহাকা মহারাস্ত্রগী নন্দেদ অমসুং পারধানিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদস্ ৱা ঙাংখি।

মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা সরকার অসিনা লাইরবা কোকহন্দুনা

মীপুম খুদিংদা চপ মান্নবা মওংদা চান-থকবা অমদি চেং-হৱাই ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা মখা তানা অহুমলকশুবা ওইনা সাসন তৌরকপা তারবদি হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খুদিংমক মপুং ফানা লোয়শিনদুনা মীয়ামদা শিন্নগনি।

**জয়েন্তিঃ** ধর্ম্মগী ওইবা মহৌশাদগী চৎনরকপা মওংদা ঙসি মহাবির জয়েন্তি পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিদা জৈন ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা লাইশঙদা লাই খুরুম্বগা লোয়ননা ভগবান মহাবিরগী মুর্ত্তি পুদুনা ধর্ম্মগী ওইবা খোঙচৎ চৎনরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা লিশিং ২,৫৫০ শুবা ভগবান মহাবির নিরবন মহোতসব হৌদোক্কনি। শ্রী মোদিনা থৌরমদুদা কোমেমোরেটিব স্তাম অমসুং শেল ময়েকসু পুথোক্কনি।

মহাবির জয়েন্তিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরুলইনা জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-থৌরম অসিনা শান্তি অমসং নুংশি চান্নবগী পাউজেল শন্দোকই।

**নোংঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা থা অসিগী ২৪ ফাওবা অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই।

নোংচুপ বঙ্গলাগী সব-হিমালায়নগী শরুক অমসুং সিক্কিমদনা থা অসিগী ২৬ ফাওবদা অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মহারাস্ত্রগী ময়াই থংবা শরুক অমসুং মরাথাৱারা, কোনকান অমসুং গৱাদসু নোং চুরবা য়াই।

**ইপিএফঃ** ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ই.পি.এফ.ও) না চহি অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পুন্না মেম্বর লাখ ১৫ লিশিং ৪৮ হাপচিনবা ঙমখ্রে।

ঙরাং থোকখিবা প্রোভিজনেল পেরোল দাটাদা হায়-হায়রিবা থা অদুগী মনুংদা পুন্না অনৌবা মেম্বর লাখ ৭ লিশিং ৭৮ হাপচিনবা ঙমখি। নৌনা মিং চল্লক্লিবা মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা চাদা ৫৬.৩৬ তি চহি ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহারোলশিংনি।

**ক্রিকেটঃ** আই.পি.এল. ক্রিকেটতা, দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা মেটচতা সন রাইজর হায়দ্রবাদনা দিল্লি কেপিটেসপু রন-৬৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদখিবা ইন্নর লোক সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি হায়বা পাউ, মীখলদা অরানবা থৌওং চথখিবা অদুবু মনিপুর য়ুথ লিগনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউ অমদি ইমাগী মৈরাগী কনভেন্নর-সুজাতাগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সঙাহ এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-পোল্লিং ষ্টেসন ১১ এপ্রিল ২২ দা রি-পোল তৌনবা ই.সি.আইনা খঙহল্লক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপল ক্রোনিকল, মোরনিং বেল, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং অমদি মনিপুর ন্যুজতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। হুইয়েন লানপাউদনা রি-পোল তৌবগী পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নম্ফু-হাফুগী প্রোক্সি ভোট কন্দেম তৌই হায়বা মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)

গী ৰাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা লোয়ননা পোল্লিং এজেন্ট চিংথোক্লগা ফুরুম্বা য়ানিংদে, রি-পোল তৌগদবনি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরদা দেমোক্রেসি ফৈজে চিংথোকখিবা থৌদোকশিংবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা য়ামখৎলক্লি হায়বা পাডনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। কুকি লমহেনবশিংনা মাঙহন তাকহনবা লেপত্রি। কে.আর.এনি চিংনবশিংনা পৱার গ্রীটকী ইলেক্ট্রিক্ট পুবা টৱার বোম ফুমদুনা থদৎলল্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমদি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-শকখঙদবশিং কনানো পুথোকউ হায়রুবা ইমা মৈরাগী কনভেন্নর-সুজাতাগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লল্লে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-নোংমৈ পায়বশিংনা মীখলদা চথখিবা থৌওং তুংগী মীরোল হাৎপনি হায়বা ময়োলগী ৰাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ফুদ পাটতগী লম্বী ময়াই ফাওবা পোৎ য়োনশিল্লকপনা ত্রাফিক জাম থোকহল্লে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-লোক সভা মীখলদা অরানবা থৌওংশিং চথখিবা অদুগীদমক ময়োলনা লৈঙাক্তা মরাল শিরক্লি হায়বা পাউগা লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ভোট অমুক হন্না থাদরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। টেঙ্কর দ্রাইভরশিংনা ষ্টেরিয়ারিং থাদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কংগ্রেসকী পোল্লিং এজেন্ট ফুরুম্বা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অকি-অখঙ পীরল্লে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ

অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-নাগালেন্দগী সি.এম. অমসুং দিপ্যুতি সি.এমনা মরামদা লাক্তুনা এন.পি.এফকী মীরেপ-তিমোথি জিমিক্কী ভোট খোমখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। কুকিশিংনা অচৌবা লানফম ওইখিবা পল্লেন হায়স্কুল পোল্লিং ষ্টেসন মীতৈশিংনা মনিং তমা ভোট থাদখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নৌনা থোরক্লিবা শকখঙদবা হায়বদু কনানো হায়না ইমাগী মৈরানা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-পোল্লিং বুথতা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা অহুম পুলিসনা ফারে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।